# তোংজৈ মরীলদা শমূ লীৎপা চল্লি

ইবেনবোক্না ফুঙ্গা মনাক্তা লীবীবা চাকঙাই-ৱারীশিংগী মনুংদা নীংঙাই চাউবা অঙাংনা খূখ্রবা তোংজৈ মরীলদা চাউখ্রবা শমূ অদু লীৎলহন্দবা য়ারোই হায়না মমা-মপা ওইবশিংদা য়াম্না মমুং কন্না শিখাঙ হেক খাঙবমখৈ চকৃ তৌবা অসিশু অমনি। অঙাং অদু অচন্বা ইমুংগী অঙাংদি ওইরন্বগী ৱাফম লৈতে, মহাক শুকশোয় শোয়দনা শমূ লোইবা ঙন্বা ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুং অমগী য়াম্না কেথোক-মৌথোকনা, তোনান্না য়োকপা অঙাং অমা ওইরমগনি। মরম অসিনা মহাক্না তোংজৈ মরীলদা শমূ লীৎলহল্লু হায়না নীংঙাই তৌবা ঙম্লিবনি। ৱাফম অসিনা অশেংবা তোংজৈ মরীলগা মরী লৈনবা ইবেনবোক্কী চাকঙাই-ৱারী হায়বদু ওইরবসু বৃটিশকি মতৌ তমদুনা খঙনরিবা তোংজৈ মরীল অসিদদি শমূ লীৎপা চল্লি। লৈবাক অসিগী নিংথৌরোল কয়ানা পীকখ্রবা লম্বী অসিদা থা অনি অহুম চঙনা মনাই-মশলশিংগা লোয়ননা শমূ তোংদুনা চৎলগা তখেল অমসুং তেখাউনচিংবা য়ুঙ্লোন্নবা লৈবাকশিংগী নিংথৌশিংগা মরী লৈনখিবগী ৱারী কয়া থেংনরি। চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা বরাক তুরেলগী খোঙনুংদা ইন্দিয়াগী ভাইসরোই লোর্দ লেন্সদাউনগা উন্নখিবা জিল্লা দরবারগী খোঙচৎ অদু তোংজৈ মরীল অসিদা শমূ তোংলগা চৎখিবনি। চীংথংখোম্বা মহারাজগী গঙ্গা-স্নান যাত্রা, বৃন্দাবন অমসুং জগন্নাথ ক্ষেত্রনচিংবা কয়াগী তির্থ-যাত্রা পুম্নমক অদু শমূ তোংদুনা লম্বী অসিদা চৎখিবা ঙাক্তনি। অদুবু লম্বী অসিদি য়াম্না পীকপা অমসুং মরীল খূবা মরম্না মতম অদুগী মণিপুরি প্রজাশিংনা হীদাকফু থকপগী তোংজৈ মরীলগা চাংদম্নদুনা মমিং থোনখিবনি। অসিগুম্বা লম্বী অসিদা নিংথৌনা শমূ তোংদুনা চৎলি হায়বা ৱাফম অসি মীয়ামগী পুক্নীংদদি থাজবদা য়াম্না ৱানা থোকপা অঙকপগী মশক্নি। ৱাখল লৈবশিংনা মীওইবগী 'অঙকপা' হায়না খঙনরিবা পুক্নীংগী মতীক-ময়াই অসিবু অনৌবা পোথোক পুম্নমক্কী হৌরকফমনি হায়নরি। অঙকপা পোক্লবদি ঙক্লিবা পোৎশক অদুগী মরমদা থিজিন্নীংলকই। থিব-হুম্বগী থবক চখরুবদগী অনৌবা মওং-মতৌ কয়া থেংনরকই। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাওখৎতুনা মীওইবনা মার্স গ্রহদা খোঙদানবা হোৎনরক্লিবা অসিমকসু অসিগুম্বা অঙকপা অসিগী মপান্দগীনি হায়বদা লানগনি নিংদে। মরম অসিনা নীংঙাই চাউবা, চকৃ ফত্তবা অঙাংনা তোংজৈ মরীলদা শমূ লীৎলহল্লু হায়বগী ফজখ্রবা প্রমান ওই, পাহ্নে ওই তৌবা ৱারী অমা মণিপুরি খুন্নাই অসিগী কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈরম্লিবা অসিসু নিংথৌগী অঙকপা থৌওং অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা কনাগুম্বা মায়চৌশিংনা নুমিৎ-থানা পাল্লিবমখৈদি ওইথোকপা য়াররোইদবা থবক-থৌওং নত্রগা ৱাফমশিংবু খঙহন্নবা থম্বীরম্বা ওইগনি নীংই। তোংজৈ মরীলদা শমূ লীৎপা চন্দবগুম্না তেংবানবা অসিদা পুন্না হিংমিন্নরিবা মীওইবশিংগী খুন্নাইদা হেক্তা ওইথোকপা য়ারোইদৌবা, মদুনা অপূনবা খুন্নাইগী শক্তমদা মশক থীহল্লক্কদবা ইশু কয়ামরুম লৈরি। অসিগুম্বা ইশুশিং অসিবু মীপুম খুদীংমক্না মশক মুন্না খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক মণিপুরগী, আসামগী অমসুং অরুনাচল প্রদেশকি নাগা তাবা লমশিংবু 'সুপ্রা ষ্টেট' হায়বা ওহ্লোকপা মমিং অমা থোনজিল্লগা নীংঙাই চাউবা অঙাংদা ঙমোক পীজদুনা থেম্বগুম দিল্লিনা মুইভাদা পীথোকখিবগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টকি চখরিবা নিংথম মীফম অসিদা সেন্টরনা 'নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেটস রিওর্গেনাইজেসন বীল' হায়বা অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসিশু তোংজৈ মরীলদা শমু লিৎলহন্নবা হোৎনরকপনি হায়দবা ঙমদে। বীল অসি দ্রাফ তৌবা মতমদা ষ্টেটশিং অসিগী সরকার অমসুং মীয়ামগী মত কৌখিবসু লৈতে। হোম মিনিষ্ট্রিনা মুইভাগী শরৈদা দেমোক্রেটিক অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেম পুম্নমক থুগাইদুনা নারোন্দা হেক্তা পঙতৌ তৌশিনখিবগুম্বগী মওং অমা উরি। হীরম অসিদা মণিপুর সরকার অমসুং মীয়াম্না অথুবা মতমদা অকনবা মীৎয়েং চঙশিনবা চুমগনি।